# অফস্পা রিপিল তৌবদা য়ানিংদ্রিবা আরএসএস কা চংমিন্নরিবা পোলিটিকেল পার্টিদা ভোট পীবা চুপ্লোই

*: খাইদেম মণি*

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল দিসেম্বর ১০ :*** লৈবাক অমদা করপসন লৈরিবমখৈ হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গোইনরিবমখৈ চাওখৎপা থিহ্নহনখিগনি হায়না ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল হ্যুমেন রাইটস দে গী থৌরম অমদা ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এদভোকেট খাইদেম মণি সিংহনা হায়খ্রে।

কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটস (কোহর) মণিপুরনা শিন্দুনা প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা থৌরমদুগী চিফ গেষ্টকী ৱারোলদা এদভোকেট মণিনা মখা তানা হায়, মণিপুরসি মতম কয়াদগী মীপুম খুদিংমক সিটিজেন অমা ওইবগী চপ চাবা হক অদু ফংবা ঙমদ্রি। মসিনা হিরম কয়াগী চাওখৎ-থৌরাং থিহ্নহন্দুনা লাক্লি।

লৈবাক অমা চাওখৎহনবদা হ্যুমেন রাইটস অমসুং করপসন অনিসি য়াম্না মরী লৈনৈ। শম্না হায়রবদা লৈবাক অমা করপসন লৈরিবমখৈ হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গোইনদুনা লৈখিগনি হায়বসি সুপ্রিম কোর্টটকী রুল্লিং অমদসু হায়দুনা লৈরিবনি। মরম অদুনা লৈপাক অসিদা লৈরিবা মরুওইনা মণিপুরগী হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরশিংনা কন্না হোৎনদুনা ষ্টেটসিদা করপসন (শেঙ্গা থুমজা) লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি। মসিগীদমক ঐখোয় পুম্নমক ইচং থৌবা, লৈবাক্কী অমদি সমাজগী খন্না থবক তৌরক্কদবা অফবা লুচিংবশিং খনবা মথৌ তাই।

অফবা চং থোকপা সরকার হায়বসি নহারোলশিংদা মতিক চাবা থবক পীনবা পোলিসি পুথোক্তুনা থবক পীবা, কল-করখানা লিংখৎতুনা মীনা মীবু শাসন তৌবা সরকার অমা লৈ হায়বদু খঙহনবনি। মফম খরদা চেং, চিনি, কেরোসিনচিংবা য়েনবা, ময়ুম-মকৈ ৱাংখৎপদু নত্তে। নাকল অমরোমদা ওর্গনাইজেসন খরনসু সোসিয়েল ৱার্ক তৌরিবনি হায়দুনা চেং-চিনি কেরোসিন য়েল্লিবসি অঙকপনি। মসিগুম্বা ওর্গনাইজেসন অসিনা দিপার্টমেন্টনা তৌগদবা থবকপু কমদৌনা করম্বা কদাইদগী পৈশানা পোৎ চৈশিং য়েল্লিবনো। হৌজিক্কী মতমসিদি মীওই অমনা মশাগী খুদোংচাবা খরা লৌননবা জেসিবি শীজিন্নদুনা লৈরক খুল্লক, খোংবাল খরা কোৎলগা সোসিয়েল ৱার্করনি হায়নরক্লবা মতমনি। অদুনা মসিগুম্বদগী চেকশিনবা তাই।

অফস্পা অসি দ্রাকোনিয়ান এক্ট অমনি হায়না জষ্টিস জিবন রেদ্দি কম্মিসন্না ফাওবা রিপিল তৌনবা রিকম্মেন্দ তৌরম্লবনি। মরম অদুনা অফস্পা রিপিল তৌবদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবা আর এস এস না শমু্রিবা পোলিটিকেল পার্টিদা প্রজাশিংনা ভোট পীবা চুপ্লোই হায়খি।